ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯱꯴, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯵꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, দিসেম্বর ১৪, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২৫৫শুবা মশীং

# সোসল মীদিয়া
## কনানা য়াচল লাক্কনি

মালেমসিদা মীওইবা খুন্নাই লৈরকপদগী হৌজিক ফাওবদা পুথোরক্লিবা, থেংনরক্লিবা ইনভেন্সন অমসুং দিস্কোভরি পূম্নমক মীওইবা ফুরুপসিগী কান্নবা ঙাক্তনি। কান্নগনি অমসুং মথৌ তারক্কনি হায়বদগী মতম অমসুং শেল চঙনা থিজিন-হুমজিল্লগা শেম-শাদুনা পুথোরকপা ঙাক্তনি। মতমগী মতুংইন্না শেমদোক-শাদোক্তুনা হেন্না মশক থোকহনবগী থবকসু তৌদুনা লাকই। মসিনা 'ইনভেন্সন' গী ওইবা ৱাফমনি। অদুগা দিস্কোভরিরোমদা য়েংলুরবসু হান্না উরম-খঙলমদবদগী থেংনদুনা খঙলকপা পূম্নমকসু মীওইবা ফুরুপকী কান্নবা ঙাক্তনি। হু পান্বী অমা থেংনরক্লবা ফাওবদা মদুদগী চেকশিন-থৌরাংশিং লৌখৎতুনা ঙাকথোকহৌনবগীদমক কান্নরিবনি। অসুম্মাইনা ইনভেন্সনশিংগী মনুংদা হৌজিক শীজিন্নরক্লিবা স্মার্টফোন (মোবাইল) অমসুং ইন্টরনেট হায়বসিসু ঙসিগী মীরোলদা খম থেংনা কান্নবা পীবা মীওইবনা পুথোকপা পোৎলমশিংনি। হায়রিবা পোৎলম অনীসিগী কান্নবা শীংথাবদা লোইগদবা নৎত্রে। অদুবু ইনভেন্সনবু ওইরবসু দিস্কোভরিবু ওইরবসু কান্নবা, কান্নগনি হায়দুনা পুথোক্লিবা অমসুং থেংনরক্লিবা পূম্নমকসি অফবা, অচুম্বা অমদি কান্নবগী ওন্ন-তৈনবদা অরানবা, কান্নদবা মায়কৈদা শীজিন্নবসু য়াই। অসুম্মাইনা তৌরক্লবদি মীওইবা খুন্নাইগী অমাঙবা ওই। খুদম ওইনা হায়রবদা কান্নখ্রবা 'থাঙ' সি লান্না শীজিন্নরকপদা মীওইবগী পুন্সি ফাওবা মাঙহনবা য়াই। অদুগা হৌজিক লাক্লিবা ৱাফম্না ইন্টরনেটনা থৱায় হাপ্লগা স্মার্টফোনগী য়ূম্ফমদগী হৌরকপা সোসল মীদিয়াগী ৱাফমনি। হায়বদি হৌজিক লৈরিবা মীদিয়াগী প্লেটফোর্মশিং- প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াদগী সোসল মীদিয়ানা খ্বাইদগী মপাঙ্গল কনবা মীদিয়া অমা ওইরে। মসিমক সোসল মীদিয়াদা ফেসবুক, ৱাটসএপ, ত্বিটর অমসুং ইন্সটগ্রামনচিংবা শক্লোন য়াম্বা পান্বেশিং লৈরকপদগীসু ওইবা য়াই। মসিগী মথক্তা মীপূম তিংনা স্মার্টফোন শীজিন্নরকপনা প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াদগীদি মফম-মতম অমদা হেক্তা ঈ-পাউদা নত্তনা ওদিও অমদি ভিজ্যুএলশিং য়ৌহনবা ঙম্বনসু সোসল মীদিয়াগী মপাঙ্গল খ্বাইদগী কনখৎলকপনি।

অদুবু মসিগী শাফুসিসু পীকখ্রবা মণিপুর য়ৌশিল্লকপদা মসিগী কান্নবশিংগা ইরোইননা মরক-মরক্তা 'কান্নদবা' হায়দুনা শুপচিন্না ৱাহন্থোক পীবা য়ারবা মওংদা অরানবা মওংদা তৌরোইদবশিং তৌশিল্লক্তুনা শেরান্ননা শীজিন্নবা য়াওরকই। মতাংসিদদি সোসল মীদিয়াবু কনানা য়াচল লাক্কদগে হায়বগী ৱাহং চোংথোরকই। হোয়, সোসল মীদিয়াগী তোঙান তোঙানবা প্লেটফোর্মশিং শীজিন্নদুনা মখল কয়াগী ক্রাইমশিং চত্থরকপবুদি চপখাইনবা তোঙানবা সাইবর ক্রাইম পুলিস ষ্টেসন ফাওবদি লিংখৎতুনা মথৌ পাঙথোকহল্লক্লে। মতমগা চুনবা ইক্বিপমেন্টশিংগী মপাল তাংলগা তৌফম থোকপা থবকশিং তৌরে। অদুবু মখোয়সু অচৌ-অশাং, য়াইতোং খমদোংবশিংগী ফিজি-ফিনা নেৎলুবদা, ইকায়খুম্নবা মাঙহন্নবগী মচাক ওইরক্লে হায়রকপা মতমদতা লোগী থাঙশাংশিং পায়রকপদৌনা তৌই। অদুগা সোসল মীদিয়াগী প্লেটফোর্মশিং শীজিন্নরিবা মীওইশিংগী মরক্তগী অমনা অমদা, মীওই কাঙলূপ মশেলদা ওনশিন্নরক্তুনা চিন্দা-পৌদানরকপা, মকন্থি থোক্না শিংলি-পাবন থোকপমখৈ অকাম-অপেৎকী ৱাহৈশিং শীজিন্নদুনা ঙাঙ শক্লকপদি নতিকনি-নরাইনি হায়বগী মওংদা কাও থাবদৌনা থাদোকপগুম তৌরি। মসিদি চুমদে। হোয়, নুংশি-চান্নবা লৈমিন্নরক্লিবা ফুরুপ-মশেলগী মরক্তা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরক্কনি চিংনবা তাঞ্জাদবুদি মোবাইল নেটৱর্কশিং নুমিৎ খরনি ফাওবা থিংজিন্দুনা থম্বগী চেকশিন থৌরাংবুদি হেক হেক লৌখৎলকপা থেংনৈ। অদুবু অয়াম্বা মতমদদি লন্নাই মীওই মশেলগী ওইগেরা, কাঙলূপ অমগী ওইগেরা লান্না শীজিন্নরকপদদি থৌশা-ৱাশাদবদৌনা তৌই। মসিনা সোসল মীদিয়াবু শীজিন্ননীংবা মওংদা শীজিন্নবা য়ারব্রা হায়বগী অরানবা ৱাখল চেলহল্লি। অসিগুম্বশিং অসি থোরক্তনবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সাইবর ক্রাইম পুলিস ষ্টেসনগী পর্সনেলশিং মশীং হেনগৎহন্দুনা হেন্না মপাঙ্গল কলহন্নবা থবক লৌখৎপা চুমগনি। মীদিয়া মখল অসিগী প্লেটফোর্মশিং চেকশিন্না মোনিটর তৌগদবনি। নৎত্রবদি ইশা ইথন্ত ইকায়জগদবনি, ইশাগী অনীংবা অপাম্বনি হায়দুনা মীয়াম তিনবা মফমদা নৎত্রগা লমজাও-সরক্তা ফি শেৎতনা চৎলুবা য়াগদ্রা? কন্সটিট্যুসননা হক ময়াম পীরি হায়দুনবু মথোং হুক্তবা থবকশিং পংতৌদা তৌবা য়াদে হায়বসি মতাং চানা চানা খঙহনবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়নীংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৫

১) "**অঙাঙবা লৈগী অঙৌবা মচু**" হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?

২) "**বাস্করবিলে সাগৈগী শাদানহুই**" (২০০১) হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা কনানো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) "**চেক্লা মাদি খঙলম্মী**" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) "**ওঁ বাসুদেব-মহাকাব্য (মীতৈরোলগী মহাকাব্য)**" হায়বসি কনানা ইবনো?

৫) "**নিংঙাইদনা য়াতারিবশিং/মোংফমথকসিদা--,/হৌগৎলো নুংশিরবা মরুপশা!/ঐখোয়সু মপূং ফারে,/অহিংবশিংদা লান হৌরসে।**" শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোরকপা করি মমিং থোনবা শৈরেংনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ন্যুক্লিয়রগী লাঞ্জাও নৎত্রগা দিজাষ্টর অমা থোক্ত্রবসু মীওইবগী খোঙ্গুল মুৎখিবা য়াই, মসিমক থোক্তবদি য়াই হায়বগী খুদম-চাংদম ফংলকপা

**সাইন্সকী খোঙচৎ**

**কুঞ্জো নাওরেম**

মীওইবগী হ্যুমেন জিনোম অসি ক্রোমোজোম পুংবা ২৩ (পুংবা ২২না ওটোজোমশিং অদুগা পুংবা অমনা সেক্স ক্রোমোজোমশিং হায়বদি X অমসুং Y ক্রোমোজোমশিং) না শেম্মী। নুপা অমগী সেক্স ক্রোমোজোমশিংগী পুংবাসি XY নি, অদুগা নুপী অমগীনা XX নি। পা মরূ (স্পর্ম) অমগা পি মরূ (ওভম) অমগা ফর্টিলাইজ তৌরকপা মতমদা পা মরূদগী ক্রোমোজোম ২৩ অদুগা পি মরূদগী ক্রোমোজোম ২৩গা পূন্দুনা অপূনবা ক্রোমোজোম ৪৬ (পুংবা ২৩) ওইরকই। পা মরূগী ক্রোমোজোম ২৩ সিগী মনুংদগী সেক্স ক্রোমোজোমদুনা X ওইরবদি মমাগী পিবুক্কুংদা মীতল্লক্লিবা অঙাংদু নুপী ওইগনি অদুগা Y ওইরগনা অঙাংদু নুপা ওইগনি মরমদি পি মরূ অমদা X ক্রোমোজোমশিং খক্তমক য়াওই। অসিগুম্বা থৌওংসি মীওইবখক্তদা নত্তনা অতোপ্পা মমল (মমাগী খোম থকপা জীবশিং হায়রগসু শম্না খঙনরিবা) শিংদসু থোকই।

X ক্রোমোজোমদা জীন ৯০০ মুক য়াওই অদুগা সেক্সকা মরী লৈনদবা থবক কয়ামুক পাঙথোকই। অদুবু Y ক্রোমোজোমদদি জীন ৫৫ মুক্তা য়াওই। অদুবু চারোল-শুরোল (জেনরেসন) কয়ামুক্কী মমাঙদদি Y ক্রোমোজোমসি চাওরম্মী অমসুং X তা য়াওরিবা জীন মশীংগা মান্নবা য়াওরম্মী। অসুম্না Y ক্রোমোজোমদা জীনশিংগী মশীং হন্থরক্লিবসি ইভোলুসননা থোকহল্লিবনি। ইভোলুসন অসিগী থৌওংসিনা মরম ওইরগা চহী মিলিয়ন ১০ মুক্কী মতুংদদি Y ক্রোমোজোমগী খোঙ্গুল মুৎখিবা য়াই হায়না অখঙ-অহৈশিংনা পানরি। করিগুম্বা Y ক্রোমোজোমশিং অসিনা মুৎখিবা তারবদি নুপা অমত্তা লৈররোই হায়বদি মীওইবা হায়বা জীব অসিসু মুৎখিবা তাবনি। মীওইবগী খোঙ্গুল মুৎখিবা য়াবগী অকিবা অসিবু কোকহন্নবগী পান্থেদি লৈররোইদ্রা?

Y ক্রোমোজোমদা এমব্রিও অমনা নুপাগী কয়াৎশিং শেমগৎলক্নবগী মরু ওইরবা জীন অদু য়াওরি। অসিগুম্বা মাষ্টর জীন অসিবু SRY (Sex Region of the Y) হায়না খঙনৈ অমসুং কুমজা ১৯৯০দা মসিবু মশক খঙবা ঙমখি। নুপী অমনা মীরোনবা হৌরকপদগী থা অহুম হায়বদি চয়োল ১২ মুক শুরকপদা, মাষ্টর জিন অসিদগী পুথোরকপা সেক্স-দিটরমিনিং রিজন Y প্রোটিন অসিনা ট্রান্সক্রিপ্সন ফেক্টর অমা ওইনা মথৌ তৌরকই, হায়বদি মসিনা DNA গী অখন্নবা মফমশিংগা পুনশিন্নখি অদুগা অখন্নবা জীনশিংগী মথৌবু লাকশিল্লি। প্রোটিন অসিনা ফিটস অমনা নুপা ওইবগী গোনাদ (টেষ্টিস) শেমগৎলক্নবগী থৌওংশিংদু পাঙথোকহল্লকই অদুগা নুপী ওইবীগী রিপ্রদক্টিভ ষ্ট্রকচরশিং (য়ুটরস অমসুং ফিলোপিয়ন ট্যুবশিং) শেমগৎলকপবু থিংদুনা থম্মী। মাষ্টর জীন SRY অসিনা ভর্টিব্রেট পূম্নমক্কী নুপা/লাবা ওইবগী শোজৈ ওইরিবা SOX9 কৌবা জীন অমগা লোয়ননা হৌরক্লিবা জীনেটিক পাথৱে অমবু মথৌ তৌহন্দুনা অসিগুম্বা থবকশিংসি পাঙথোরকই।


অয়াম্বা মমলশিংদা ঐখোয় মীওইবগুম্না X অমসুং Y ক্রোমোজোমশিং য়াওই X তদি জীন ময়াম অমা য়াওই অদুগা Y দনা জীন খরগা লোয়ননা SRY য়াওই। অসিগুম্বা সিষ্টম অসিদা অয়েৎ-অপন অমা ওইরক্লিবদি নুপা অমসুং নুপীশিংদা X জীনশিংগী চাংসি মান্নদনা য়াওবদগীনি। সিষ্টম অসি মতৌ করম্না ওইরকখ্রিবনো? ওষ্ট্রেলিয়াগী প্লাটিপস হায়রিবা শা/মমল অসিদা উচেকশিংগগী হেন্না মান্নবা, পুমতোপ তোপ্পা মখলগী সেক্স ক্রোমোজোমশিং য়াওবা থেংনরকখি। প্লাটিপসতা XY পুংবাসি অচম্বা ক্রোমোজোমনি, মান্নবা মেম্বরশিংসু য়াওই। মসিনা তাক্লিবদি শাসিগী X অমসুং Y ক্রোমোজোমশিংসি অচম্বা পুংবা ওইরকখি, মসি চহী চা কয়াগী মমাঙদদি অসুম্না ওইরম্বা নত্তে।

মীওইবা অমসুং প্লাটিপসনা ইভোলুসনগী মতেংনা মালেমদা তোঙান তোঙানবা খোঙ্গুল তারকখিবা মতমদুদগী চহী মিলিয়ন ১৬৬অসিগী মনুংদা Y ক্রোমোজোমদা য়াওরম্বা এক্টিভ জীনশিংসি ৯০০দগী ৫৫দা হন্থরকখি। মসিনা তাক্লিবদি চহী মিলিয়ন অমগী মনুংদা জীন মঙামুক মাঙখি। অসুম্না মাঙখিবসিগী চাং অসিদা পারগা লেমহৌরিবা জীন ৫৫সি চহী মিলিয়ন ১১গী মনুংদা মাঙখিগনি অদুগা মীওইবা হায়বা জীবসিগী খোঙ্গুল মুৎখিগনি হায়না সাইন্টিফিক কম্যুনিতিনা মীপাইবা পোক্লরকখি।



Asato Kuroiwa

অসুম্না মীপাইদুনা লাকখিবসি হৌজিক হিংদুনা লৈরিবা Y ক্রোমোজোম মুৎখ্রবা মমলগী চারোল-শুরোল অনীদা থেংনরুবদগী মীওইবগী খোঙ্গুল মুৎতবগী ফীভমদা লৈরে হায়বসি খঙনরকখিবনি। মসিগী পাউদম অমা "প্রোসিদিংস ওফ দ নেস্নল একাদেমি ওফ সাইন্সেস' (নবেম্বর ২৮, ২০২২) তা ফোঙদোরক্লি।




নুপা অমসুং নুপীদা য়াওরিবা ক্রোমোজোম পুংবা ২৩, ওটোজোমগী পুংবা ২২ অমসুং সেক্স ক্রোমোজোমগী পুংবা ১ (X অমসুং Y) তাক্লিবা অয়েকপা শক্তম

নোংপোক থংবা য়ুরোপকী মোল ভোল *(Blobius talpinus)* অমসুং জপানগী স্পাইনি রেট *(Tokudaia osimensis, উচি মখল অমা)* শিংদা Y ক্রোমোজোম অমসুং SRY শুকয়াও য়াওদবা স্পেসিস খরা থেংনরকপনি। লাবা অমসুং অমোম অনীমক্তা সিঙ্গল নৎত্রগা দবল দোজদা, X ক্রোমোজোমশিংসিদি মাঙদনা অদুম লৈরম্মী। Hokkaido University গী বাইওলোজিষ্ট Asato Kuroiwa না লুচিংখিবা থিজিন লূপ অমনা থিজিনখিবদা স্পাইনি রেটকী Y ক্রোমোজোমদা লৈরম্বা অয়াম্বা জীনশিংদি অতোপ্পা ক্রোমোজোমশিংদা লৈরম্বা (রিলোকেট তৌরম্বা) থেংনরকখি। অদুবু SRY দি থেংনরমদে, অদুগা মসিগী মহুৎ শিল্লিবা জীন অদুসু থেংনরমদে।

মসিগী মখা তারকপদা থিজিন লূপ অসিনা অমোমশিংদদি য়াওদবা অদুবু লাবশিংদদি য়াওবা জীনোমশিংগী সিক্বেন্সশিং থেংনরম্মী। মসিবু রিফাইন তৌরবা মতুংদা উচি অমমমগী সিক্বেন্সপু নৈনরম্মী। স্পাইনি রেট অদুগী ক্রোমোজোম ৩দা য়াওবা সেক্স জীন SOX9 গা হেক থংনবদা খজিক্তং খেন্নবা অমা পুথোকপা ঙমখি। অপীকপা দুপ্লিকেসন অমখক (বিলিয়ন ৩দগী হেল্লিবশিংদুগী মনুংদগী বেজ ওইরিবা পুংবা ১৭,০০০ খক্তমক) লাবা পূম্নমক্তা য়াওরম্মী, অদুবু অমোমশিংগীদদি য়াওরমদে। অসিগুম্বা দুপ্লিকেটেদ দি এন এগী অপীকপা শরুক অসিদা এস আর ৱাইদা পীবা পাউখুমগুম্না SOX9 বু মথৌ তৌহন্নবা স্বিটচ অদু য়াওই হায়বা খঙলক্লম্মী। অসিগুম্বা দুপ্লিকেসন অসি উচিদা হাপচিনবা মতমদা মসিনা SOX9 গী মথৌবু কনখৎহল্লম্মী অদুনা অসুম্না হোংলক্লিবা অসিনা এস আর ৱাই য়াওদনা SOX9 বু মথৌ তৌহল্লম্মী।

অসিগুম্বা জীবশিং অসিদা থেংনরকখিবা ক্রোমোজোম ইভোলুসনগী মওংসি য়েংলুরগা মীওইবগী তুংলমচৎতা করি ওইরকপা য়াবগে হায়বগী মতাংদা থিজিন লূপ অসিনা মখাগী ৱাফমশিং অসি থল্লক্লি। নুমিৎয়ুংবী চুম অমসুং লিন খরদা অমোমখক্তা ওইবা স্পেসিস লৈ, লাবা য়াওদবা। অদুগা মখোয়না পার্থিনোজেনিসিস হায়না খঙনবা থৌওংদুগী মতেংনা মখোয় মশাগী জীনশিংদগী মরূম (এগ) শিং কোকই অদুগা মচা ওল্লকই। অদুবু মসি মীওইবা নৎত্রগা অতোপ্পা মমলশিংদা ওইথোকপা ঙমদে। মরমদি লাবদগী ফংলকপা পা মরূ (স্পর্ম) গী মতেংখক্তদগী মথৌ তৌবা ঙম্বা মরু ওইখ্রবা 'ইমপ্রিন্টেদ' জীন ৩০ (য়ামদ্রবদা) য়াওরি। অদুনা মচা পোক্লবগীদমক, পা মরূগী মথৌ তাই, অদুনা লাবা হায়বসিসু মথৌ তাই। মসিগী ৱাহন্থোক্তি Y ক্রোমোজোমগী খোঙ্গুল মুৎখিবা হায়বসি মীওইবগী খোঙ্গুল মুৎখিবা হায়বনি।

থিজিনখিবা অসিদগী খঙবা ঙল্লকখিবদি করিগুম্বা মীওইবগী সেক্স তাকপা ঙম্বা জীন অমা ইভোলুসনগী মতেংনা শেমগৎলকপা ঙল্লবদি খোঙ্গুল মুৎপগী ফীভমদি লৈররোই। অদুবু অনৌবা সেক্স তাকপা ঙম্বা জীন অমগী য়াওল লাকপদা খুদোংচাদবসু লোয়নরক্কনি। মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খুন্দারিবা মী কাঙলূপশিংদা অনৌবা সেক্স সিষ্টম অমদগী হেন্না লাক্লবদি করি ওইরক্কদগে? সেক্স জীনশিংগী সর্ভাইভল ওফ ফিটেষ্টকী 'লান' অদুনা অনৌবা স্পেসিসশিংগী য়াওল লাকহল্লকপা য়াই; ফীভম অসিমক্লি মোল ভোল অমসুং স্পাইনি রেটশিংদা থোকখ্রিবদু। মরম অসিনা চহী মিলিয়ন ১১গী মতুংদদি হৌজিক লৈরিবা মীওইবগী স্পেসিস অসি লৈরকখিদবা নৎত্রগা তোঙান তোঙানবা সেক্স তাকপগী সিষ্টমশিং লৈবা, তোঙান তোঙানবা মীওইবগী স্পেসিসশিং লৈরকখিবা য়াই। অদুনা মীওইবগী খোঙ্গুল পুংমুৎ মুৎখিবা হায়বদুদি ওইখিদবা য়াই হায়রি। ●

## এদিটরদা থারকপা চিঠি

### লমলোং কৈথেলগী মরাইবক

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ফনা কুইরে খুরাই লমলোং কৈথেলনা পোৎফম ফমদনা লৈরকপসি। কৈথেলসিগী ফাওন্দেসন ষ্টোন য়ুংখিবসি এপ্রিল ২৯, ২০১৭তা ইকায়খুম্নবদা মতিক চারবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, টি ঐচ শ্যামকুমার মাহুদ মিনিষ্টর, এল সুসিন্দ্রো ওনরেবল পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি, এন ইন্দ্রজিৎ, টি রোবিন্দ্রো চ্যেরমেন পি দি এ হায়রিবা মশক নাইরবা মীওইশিংসিনা নুমিৎসিদা উরেপ উয়ুং তম্বীদুনা মশক থোকপা প্রজা লিশীং কয়াগী ওইবা লমলোং কৈথেল তুং কোইনা চৎকদবা মওংদা শোয়দনমক্কী শারগনি হায়বগী থাজবা থমদুনা...। ফনদি কুইরবনি অদুবু ঙসি ফাওবা শাবা লোইরবা কৈথেল শঙসিদা পোৎফম ফম্বী অমত্তসু ফম্বদি লৈত্রি। শঙ্গাবদি শঙ্গাখ্রবনি। মনুংদা ফম্বা য়াগদৌরিবা মশীংসি য়ামদবা মরম্না কনানা ফমগদৌরিবা? লেমহৌরিবা মীওইশিংদুনা ঐখোয়দি করিগী ফম্ফম ফংলোইদৌরিবা হায়বগী ৱাখলদা ঈরাং থোক্লক্কদ্রা চিংনবা লৈবনা শঙ্গাখ্রবসু হৌজিক ফাওবা কনা অমত্তা ফমদনা ইহাঙ হাঙনা লৈরি। ফাউন্দেসন ষ্টোনদা চীফ মিনিষ্টরগী মমিং য়াওরবসু নুমিৎতুদদি মহাক মশামক য়াওবগী খুদোংচাবা লৈখিদে। ৱারী ওইনা হায়নবদা নুমিৎতু ক্বার্টরদা হোংজিনবগী অচিনবা লৈবনা লাক্তবনি। মসিমক হায়নবনি। নুমিৎতুদা খুরাই এ সীগী মীহুৎ ওইনা খল্লক্লবা এল সুসিন্দ্রোনা মীয়ামদা ৱা ঙাঙবদা কার্দ পায়বা ইমা ইবেলশিংগীদমক্তদি লুপা লিশীং ২০/২০ লোন ওইনা পীগনি ... ৱাফমসিদা ইমা ইবেলশিংনা অহৌবা খুবাক খুদুনা থাগৎপগী লোইবা নাইদ্রবা খূবাক্কী মখোল অমত্তা ওইনা থোরকখি। কৈথেল শঙসি শানবগীদমক মসিগী মহুত্তা খুরাই গর্লস স্কুল, লমলোং হায়র সেকেন্দরিগী নোংপোক থংবা সরক্কী নোংচুপ থংবা শরক্তা অশাংবা শঙশাং শাদুনা ফমহনখি। মুন্না খল্লুরবদি লমলোং কৈথেলসি রুরেললা? অর্বানলা? হায়বসিনা ৱাহং অমা ওইরবনি। কনা কনাগুম্বা অমনা হায়নীংবা অমা হায়বদা অদুমক চুল্লগদবনি। মসি করম্বা এ সীগী মনুংদা লৈবনো? মসিসু ৱাংখৈ এ সী অমদি খুরাই এ সী অনীগী ওইবা কৈথেলনি হায়না হায়বদা লানসু লাল্লরোই। অদুমক কাইদ্রবনি। লমলোং কৈথেলসিনা অৱাংলোমদা অসুমক চৎখিদুনা ঙসিদি ফনা শাংনা শন্দোকখ্রবনি। মতম খরগী মমাঙদা মসি লৈরম্বা নত্তে।

হৌজিক হৌজিক লৈরিবা খুরাই গর্লস হায় স্কুল ওইরম্বা মফমসি ঙসি ফাওবা স্কুলসিনা লৈখিদ্রবসু অতোপ্পা স্কুল অমনা মহুৎ শিন্দুনা লৈরকপসি মতমদি ফনা শাংলবনি। মমিং চৎলম্লবা স্কুল খরা পনবদা রাজাদুম্ব্রা হায় স্কুল, তোম্বীসনা হায় স্কুল, বেঙ্গোলি হায় স্কুল, শীংজমৈ গর্লস হায় স্কুল লোয়ননা খুয়াথোঙ হায় স্কুল ঙম্নমক মমিং মুৎখ্রবনি। হায়রিবা স্কুল ওইরম্বা মফমশিংসি লৈঙাক্কী ওইবা... মসিনা হায়রিবা স্কুল খুদিংসিনা স্কুল ফাওবা মুথুৎখ্রগা ঙসি ফাওবা খুরাই গর্লসকী মফমসিদা স্কুল অমমুক ... মমিং মুৎখিবগী ৱানি। মফমদি স্কুল অদুমক ওইরিবনি। মসিগী মফমসি মী য়াম্লকপগী মতুংইন্না লমলোং কৈথেল চাওথোকপদা শীজিন্নবা ওইরবা প্রজা অমত্তনা পেন্নাইদবা, নুংঙাইতবা তৌররোইদবনি। হায়জবা ঙমদবগী ৱানি ৱাফমসিমক্তি হোটেলদা ৱারী তৌনবদা ইতৎ তত্তনা য়াওনরিবনি। মতমগী মতুংইন্না হোংদোকপদি শোয়দনা হোংদোকখিদুনা মফমসি লমলোং কৈথেলগী মফম হায়বদু ওইদনীংঙাই লৈরোই। লমলোং কৈথেল লূপ্না হোংদোক্লবগীদমক শোয়দনমক হোৎনরমদৌরিবনি। নুমিৎ খুদিংগী মীগী মশীং য়ামথোরকপা মরম্না ইকায় ইকি করি অমত্তা থিদনা কৈথেলদা থোরক্তুনা মনা মশিং য়োল্লবা মীগী মশীং থিদুনা লোইবা নত্তে। অরৈবগা অয়োনবগা অনীসিদি অয়োনবা মীনা মশীং হেল্লবনি। হিংনবগীদমক ইকায় ইকি থাদোক্তুনা হোৎনজরিবা লমদমসিগী লৈহাওদা চাওরকপা ঙাক্তনি। মীগী মী, মী ঙাক্তা ঙাইরকপনা লম্বী সরক্তা চৎকদবা ফাওবা এক্সিদেন্ট ওইগদ্রা হায়বগী চিংনজবা অদুমক ওইরবনি। চহী তরামঙা শুরবা মতম শাংনা শীজিন্নরক্লবা গাড়ী অমত্তা লম্বীদা চেলহল্লরোই মসিবু তৌরবা চিল্লিবা লম্বী অয়াম্বা খরদি কোম্লগনি। চহী ১৫ শুরবা পেট্রোল গাড়ীশিং চহী ১০ শুরবা দিজলগী গাড়ীশিং দেল্লীদা শীজিন্নবা থিংখ্রবনি। মসিদা ফৈ হায়বা নত্তনা করিসু লৈতে। লম্বীদা চিল্লিবসিদি মতম লোইরবা ইঞ্জিন পানবা গাড়ীনা মশীং হেল্লবনি। মসিবু য়াদে হায়বা অমা লৈখিবদা লম্বী অয়াম্বা খরা মখৈদি শাফরগনি। হৌজিক হৌজিকসু য়াম্না কোম্না মকা লাম্না চৎলিবা হায়বা মফমসিবু কদাইৱাইদা ওইদৌরিবগে? ঐখোয়না খঙলকপদা লমহুই খোংবগী মখোল তারল্লিবা পোৎনি। তুরেল মপানগী অসুক অসুকপা মী চংনদবা মফম মশীং লাকঙমদনা লৈরল্লিবনি। মখোয়দুগী মনুংদা লমহুই, কৈশাল লৈরল্লিবা পোৎনি। মসি থাজদবা য়াবা নত্তে। লমলোং কৈথেলসি মতম অমদদি ফৌ ৱানগে হায়রবদি লমলোং কৈথেলদা লাক্তুনা ৱান্নরল্লিবনি। মতমদুদালোয়া লমদগী ফৌ তাইগনি হায়দুনা লাকপা ষণ গাড়ী খুরাইদগী ফৌমাইচাবী য়াওদ্রবদি শিৎপা নত্তে। মসিসু ঙক্তি ঙকপনি। অৱাংলোমদগী লাকপা গাড়ী অয়াম্বা লমলোং কৈথেল ফাওদুনা চৎখিগদৌবা ঙাক্তনি। কুইরবগী ৱারীদা লমলোং কৈথেল ঈনা কুপ্লল্লিবনি। মতমদুদি ঙসিদগী ওন্থোক্লা কুইখ্রবা হায়বদুনি। কৃষ্ণ জন্ম, থৌরানি জন্মদা লমলোং কৈথেলগী ঈনা কুপ্পা শঙ মচা মচাশিংদা লাইগী তিলগী য়োল্লম্বা পোৎ, ইরুজ মায়থজদুনা য়োল্লমগদবা মাল্লবনি। মতমদুগী মীওইশিংগা হৌজিক্কী মীওইশিংগা ধর্ম্ম লৈবা ওইদ-পাদবা তৌদবা অচুম্বদা তৌগনি হায়না খনবা মশীং অদুমক য়াল্লবনি। লাই তীলগী ৱাসিদি মতমদুগী মীরোলশিংনা থাজবা হেল্লবনি। কৈথেলখক্তং লৈহৌরগা অৱাং পাংনা লৈজবী থাদুনা শাংদোকখিবসি কদায় ফাওবা শাংদোক্কদৌরিবনো খঙবা ঙম্বা নত্তে। হৌজিক হৌজিক শাদুনা লোইরবা কৈথেল শঙসিদবু কয়া য়াম্না চন্দুনা ফমগদৌরিবা? ফমফমগীদমক ৱাথোক শোয়দনা ওইদৌরিবনি। করম্বা কার্দ পায়বা পোৎফম ফম্বীদা করম্বা বেঙ্কনা শেল পীবা থাজবা ৱাৎতুনা লৈরবনি। ফজনদি শাগৎলি হায়ববু ফমগদৌরিবা পোৎফম ফম্বী ময়ামসিগা ইচান চান্নদবগুম্বা অমা ওইগদবা মাল্লবনি। মসিনসু ফনা কুইনা শঙ্গাখ্রবসু ফমদনা ইহাঙ হাঙনা লৈবা মতমবু ওন্থোক্লা কুইরক্লবনি। কুইনা কার্দ পায়দুনা পোৎফম ফল্লিবা মীওইনা মশীং কয়া? অনৌবা হাপচিল্লগনা মশীং কয়া? ৱাখল তাদবা হায়বদুমা শোয়দনা ওইরল্লগদবনি। তৌগদবা থবকসিদি য়ৈথোক য়ৈথোক্তুনা মতম লৌবগী থবকসিমা য়ারিবমখৈ তৌদবা ফরবনি। নোংমা নোংমগী চিনবগী চাং হেনগৎলকপা মরম্না অৱাং পাংনা পোৎফম ফল্লিবা কাঙবুশিংসি মফম চাবা অমদা ফমহন্নবা হোৎনবদা মতাং মতমবু চারবনি। লম্বী চৎথোক চৎশিন্দা অসুক্কী মতিক জাম ওইরিবা অয়ূক্কী মতমদদি মহা প্রলয়নি। অমুক্তং লাক্লগা থেংনরগা খঙবীগনি। লমলোং কৈথেল মতম অমগী কৈথেল ওইদ্রবনি।

***অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা***
খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।